# ইন্দিয়া মশানা শাজবা ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন শীজিন্নদুনা জি এস এল ভি–দি ৫ মায় পাক্লা কাপখৎখ্রে

**অহমদবাদ, জনুৱারি ৫ ঃ** ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেশন (ইসরো) না ঙসি মায় পাক্লা জি এস এল ভি –দি ৫ শ্রিহ–রিকোটাগী ছটিস ধৱন স্পেস সেন্টরদগী কাপখৎখ্রে।

ঙসি কাপখৎখিবা রোকেট অদুদা য়াওরিবা ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন অদু ইন্দিয়া মথন্তা শেমগৎচবনি। ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূং ৪.১৮ তাবদা কাপখৎখিবা জি এস এল ভি–দি ৫ অদুনা মিনিট ১৭কী মতুংদা জি এস এ টি –১৪ কম্ম্যুনিকেশন সেট্টলাইট অদু জিওসিনক্রোনাস ট্রান্সফর ওর্বিটতা থন্বা ঙমখি।

ইসরোগী চ্যেরমেন রাধাকৃষ্ণননা ফোঙদোকখিবদা, পায়খৎখিবা মিশন অদু মায় পাক্লে। মদু মিশন অদুবু পায়খৎখিবা টীম অদুগী মপূং ফানা মায় পাকপনি। ঙসিগী মায় পাকপা অসি ইন্দিয়াগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা মীকূপ অমনি হায়খি।

রোকেট কাপখৎখিবগী থবক অদু অসুক্কী মতীক মমল য়াম্মী। লোয়ননা সেট্টলাইট অদু কিলোমিটর ১৭৯ লাপ্পা পেরিগী অমসুং কিলোমিটর ৩৬,০০০ লাপ্পা এপোগিদা থন্বা



ঙমখি হায়না মিশন দিরেক্টর কে সিবননা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী মায় পাকপা অদু মমাঙদা অনীরক হন্না মায়থিবা মতুং ওইরকখিবনি।

ইন্দিয়া অসি পোলর সেট্টলাইট লোঞ্চ ভেহিকলগীদমক্তদি শীংথানিংঙাই ওইবা লৈবাক অমা ওইরবনি। থংনা–থংননা ২৫ রক হন্না মায় পাকখ্রে।

জি এস এল ভিনা হেন্না লূম্বা সেট্টলাইটশিং স্পেস পুবা ঙমগনি। মদু চেলেঞ্জ অমা ওইনা লৈরকখিবনি।

ইং ২০১০দা ইন্দিয়ানা শাজবা ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন চাংয়েং তৌখি। অদুবু মদু ফেল ওইখি। মদুগী মথংদা অনীশুবা ওইনা ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন স্পেসতা থাগৎনবা হোৎনখি। মদুগী মতুংদা জি এস এল ভি–দি ৫ হেন্না ফগৎহন্দুনা মমাঙ চহীগী ওগস্ট থাদা অমুক হন্না কাপখৎখি। অদুম ওইনমক, লিক্যুদ ফ্যুল টেঙ্কতা লীক ওইরকপদগী মিশন অদু ফেল ওইখি।

ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী ক্রাইও–জেনিক ইঞ্জিন তরেৎ লৌখি। মদুগী মনুংদা তরুক্তি ইসরোনা শীজিন্নখ্রে। হায়রিবা সেট্টলাইট অদু কাপখৎনবগী চপ চাবা ফিভম ফংদবদগী মখা তানা ইন্দিয়ানা মশাগী ওইবা ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন শেমগৎপা মথৌ তারকখি।

শেমগৎলিবা ইঞ্জিনশিং অদুদা লিক্যুদ হায়দ্রোজেনবু ফ্যুল ওইনা শীজন্নরি। অদুগা লিক্যুদ ওক্সিজেন অমসুং ওক্সিদাইজরশিংসু শীজিন্নরি। ক্রাইওজেনিক ইঞ্জিন অদু হৌজিক লৈরিবা সাইন্সকী টেক্নোলোজিনা খ্বাইদগী নেম্বা টেম্পরেচরগী চাংদা থম্নবা হোৎনরি। মদু পৃথিবী পুম্বগী ওইনা অচৌবা চেলেঞ্জ অমা ওইরিবনি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### খ্বাইদগী চাউবা থিয়েটর

*মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থিয়েটর অসি চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা লৈবা দি নেসনেল পিপলস কংগ্রেস বিল্ডিং থিয়েটর অসিনি। মসিগী থিয়েটর অসি ইং ১৯৫৯ দা শাখিবনি। থিয়েটর হোলসিদা অমুক্তদা ভাবক লিশিং ১০ ফম্বা য়াই। মথংদা খ্বাইদগী চাউবা থিয়েটর অসি দি পর্থ এন্টরটেন্টথেট সেন্টর কৌই, ওষ্ট্রেলিয়াগী পর্থতা লৈবনি। মসিগী থিয়েটর হোল অসি ইং ১৯৭৬তা শাখি, অমুক্তদা ভাবক ৮,৫০০ ফম্বা চল্লি। মথংদা ক্যুবাগী হেবানাদা লৈবা চেপ্লিন হোলনা অহুমশুবদা লৈরি। মসি ইং ১৯৪৯ দা শাখিবনি, অমুক্তদা ভাবক ৬,৫০০ চল্লি। মথংদা য়ু এস এগী ন্যু য়োর্কতা লৈবা রেদিও সিটি ম্যুজিক হোলনি, অমুক্তদা ভাবক ৬,২০০ চল্লি। মথংদা বৃটেনগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা হোল ওইরিবা হেম্মরস্মিথ ওদিওনা ভাবক ৩,৪৮৩ চল্লি। অদুবু, থৌরমগী মখা পোন্না সিট এরেঞ্জমেন্ট তৌরগদি ভাবক ৭০০০ চনবা হোল অমসু লৈরি– মদুদি অতৈ করিসু নত্তে, লণ্ডনগী দি রোয়েল এলবর্ট হোলনি।*

# বিল্ডিং নিংখায়বদা ১৫ শিরে, বিল্ডিং অদুগী কন্ট্রেক্টর অমসুং বিল্ডর লোৎখ্রে



**পানাজি, জানুৱারি ৫ ঃ** শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা ১৫ শিরে, অতোপ্পা কয়ানা অতেক–অকায় মরক্তা ফূমজিন্দুনা লৈরমগনি হায়না থাজনরি। থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পূং ৩ লোম তাবদা থোকখিবনি। য়ূম অদুবু শাগৎপা কন্ট্রেক্টর অমসুং বিল্ডরগী মথক্তা পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে। পুলিসকী মীওইশিং অদু হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি হায়খি।

নিংখায়খ্রবা বিল্ডিং অদু মথোল অহুম ৱাংবনি। মদুগী শরুক খরা ঙরাং নিংখায়রকখিবনি হায়রি। মফম অসি গোৱাগী কোনুং পানাজিদগী কিলোমিটর ৬০রোম চৎলগা লৈবা কানাকোনা সহরগী চাউদিদা লৈবা রবি রেসিদেন্সি কোলোনিদা শাগৎপা য়ূম অদুগী শরুক খরা নিংখায়খ্রে।

থৌদোক থোকপা মতমদা বিল্ডিং অদুগী মনুংদা মীওই ৫০ থবক শুদুনা লৈখি। মদুগী মনুংদা ১৫ শিখ্রে অদুগা ২৬না কনবা ঙমখ্রে হায়রি। আর্মি পর্সনেল অমসুং ফায়র ওফিসিয়েলশিংনা মফম অদুদা অহিং চুপ্পা মী কনবগী থবক চথখিবগা লোয়ননা অহিংবা মী লৈরিব্রা হায়বদু থিরি। নিংখায়খিবা বিল্ডিং অদু নভি মুম্বাই বেজ রিয়েল ষ্টেট দিভেলপমেন্ট ফার্ম অমসুং ভারত দিভেলপর এন্দ রিয়েলটর্স প্রাইভেট লিমিটেদনা শাবনি। গোৱা পুলিসনা বিল্ডর অমসুং কন্ট্রেক্টশিং অদু ফাননবা ওপরেশন চথবা হৌখ্রে।

ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিগর কানাকোনাদা পাঙথোকপা ফোল্ক ফেষ্টিভেল অমা য়েংননবা মফম অদুদা লাকখি। বিল্ডিং অদু নিংখায়রে হায়বা পাউ ফংবদগী মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখি। মহাক্না হায়খিবদা, থৌদোক অদুদা কনাগুম্বশিং মরাল লৈবা থেংনরবদি মখা তানা ঙাকপীবা তৌরোই হায়খি।

নিংখাইবগী থৌদোক অদু উহৌ–বশিংনা ফোঙদোকখিবদা, বিল্ডিং অদু কিন্থরকপা মতমদা য়ুহার হাবগুম্না নিকখি। লোয়ননা মফম অদুদগী কারকপা উফূলশিংনা মরম ওইরগা মফম অদুদা করি থোক্লিবগে হায়বদু উবা ঙমখিদে হায়খি।

# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা লানগী জহাজ আই এন এস বিক্রমঅদিত্য থুংলরে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৫ ঃ** এয়রক্রাফ্ট পুবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা লানগী জহাজ আই এন এস বিক্রমঅদিত্য রসিয়াদগী ইন্দিয়ানা মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা ফংখিবনি।

জহাজ অদু হৌজিক অশাংবা লম্বী অমা লাক্লুবা মতুং ইন্দিয়ান নেভিনা ওপরেট তৌবা অরাবিয়ান সীদা থুংলখ্রে। য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৩ পীবা অমদি মীয়ামনা খৌরাংনা ঙাইনরক্লিবা লানগী জহাজ অদু ইন্দিয়াগী ৱেষ্টর্ন ফ্লিটকী জহাজশিংনা ঙাক–শেন্দুনা পুরকপগা লোয়ননা নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোংবানগী ইন্দিয়ন নেভিগী বেজ করৱারদা মথংগী চয়োলদা য়ৌরক্লগনি।

লোয়ননা জহাজ অদুদা সেন্সর অমসুং মিগ–২৯গী ফাইটর জেটশিং হাপচিন্দুনা মপূং ফানা মথৌ তৌহনগনি হায়রি। আই এন এস বিক্রমঅদিত্য হায়রিবা জহাজ অদু মিটর ২৮৪ শাংই অদুগা মিটর ৬০ ৱাংই হায়রি। মদু মথোল ২০ ৱাংবা য়ূম অমগা চপ মান্ননা ৱাংবনি হায়রি। অদুগা অরূম্বনা টন ৪০,০০০ নি হায়রিবা জহাজ অদু খ্বাইদগী চাউবা অমদি খ্বাইদগী হেন্না লূম্বা ইন্দিয়ন



নেভিনা শীজিন্নগদবা অচৌবা জহাজ অমনি হায়রি।

জহাজ অদুনা মিগ–২৯ কে ফাইটর জেট ২৪, হেলিকোপ্টর ১০ লোয়ননা নোংমদা কিলোমিটর ১,৩০০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী হায়রি।

জহাজ অদু নুমিৎ ৪৫নি লেপ্পা লৈতনা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্মী। মদুদা মীওই ১,৬০০ লৈবা য়াই। মখোয়গীদমক য়েরুম লাক্ষ ১, শঙ্গোম লিটর লাক্ষ ২ অমসুং চেঙ টন ১৬ থা অমদা শীজিন্নগনি হায়রি।

আই এন এস বিক্রমঅদিত্য খ্বাইদগী ফরবা এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র অমনি। হায়রিবা জহাজ অদু রসিয়ন নেভিনা ইং ১৯৮৭তগী বাকু হায়বা মমিং থোনদুনা শীজিন্নবা হৌখি। তুংদা এদমিরেল গোরসকোভ হায়না মমিং ওনদুনা শীজিন্নরকখিবনি।

ইং২০০৪ দা ইন্দিয়ানা হায়রিবা জহাজ অদু দোল্লর মিল্লিয়ন ৯৭৪দা লৈননবা য়ানখিবনি। অদুমওইনমক রসিয়ানা চহী ৫গী মতম থেংথহনখিবনা মরম ওইরগা জহাজ অদুগী মমল ৱাংখৎলকখিবনি হায়রি।

মিগ–২৯ কে এয়রক্রাফ্ট, জহাজ কামোব–৩১, এন্টি – সবমেরিন ৱারফিয়ার য়াওবা কামোব–২৮, মেরিন সর্ভিলেন্স হেলিকোপ্টরশিং লোয়নগনি হায়রি।

মিগ–২৯ কে শিংনা ইন্দিয়ন নেভিদা অনৌবা পাঙ্গল হাপ্পগা লোয়ননা ইন্দিয়ান নেভিনা মথৌ তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু নাওটিকেল মাইল ৭০০ য়ৌরগনি। মদু নাওটিকেল মাইল ১৯০০ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়রি। লোয়ননা এন্টি –শিপ মিসাইল খূৎলায় অমদি এয়র টু এয়র কাপ্পা য়াবা মিসাইলশিংসু পুবা ঙমগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানসু লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র আই এন এস বিক্রান কোচিদা শাগৎলি। জহাজ অদু ইন্দিয়ন নেভিদা ইং ২০১৮দগী ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা খূৎশিন্নরবা য়াই হায়রি।

# সবরমতি মরাথোন বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা অহমদবাদতগী ফ্লেগওফ তৌখ্রে

**অহমদবাদ, জনুৱারি ৫ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা অমসুং গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সবরমতি মরাথোন ২০১৪ ঙসি লমথাখ্রে।

মরিরক শুবা সবরমতি মরাথোন অদু অহমদবাদ ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেশন্না শীন্দুনা লমজেল অদুনা চৎকদবা লম্বীশিং য়াথোকখি। মরাথোন অদুদা শরুক য়ারিবশিংবু পূক্লিং থৌগৎলদুনা নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবদা, মীয়াম্না অপূনবা ওইনা লেপ্পবা অমদি খোঙথাংশিং অদু মান্নরবদি ফংননবা খল্লিবা পন্থুংফম অদু শোয়দনমক য়ৌবা ঙমগনি।

মহাক্না থাজে, মদুদি খোঙথাং মান্নরবদি ৱাখলসু মান্নগনি। লোয়ননা মান্নবা ৱাখল লৈরবদি য়ৌগদবা পন্থুংফম অদু লাইনা য়ৌবা ঙমগনি হায়খি।

মেদিয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঙসি সর্দার পতেল ষ্টদিয়মদা পন্থুংফম



ওইগদবা মরাথোন অদুদা মীওই ১৯,০০০ হেনবনা শরুক য়াখি। অহমদবাদ সিটিগী মরু ওইবা মফমশিং ফাওদুনা চেলহনখিবা মরাথোন লমজেল অদুনা মীয়ামদা থৌনা অমদি পীরগনি। লমজেল অদুগী অহৌবদা সিটি অদুগী হিষ্টোরিগা মরী লৈনবা মফমশিং ফাওদুনা চৎখি। মথংদা এস জি হায়ৱে ফাওদুনা চৎহনখিবগা লোয়ননা অহুমশুবা এদিশনগী ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী মরু ওইবা থবকশিং পায়খৎলিবা এস পি রিং রোদতা চেনখি হায়রি।

# এ এ পিনা মেম্বর খোম্বগী দ্রাইভ জনুৱারি ১০দগী চথরগনি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৫ ঃ** ইং ২০১৪দা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখল মাঙওইননা এ এ পিগী লুচিংবা য়োগেন্দ্র য়াদবনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা পার্টি অদুগী মেম্বর মশীং হেনগৎহন্নবগীদমক পান ইন্দিয়া মেম্বরশিপ দ্রাইভ চথবা হৌরগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙ–দোকখিবদা দ্রাইভ অদু লৈবাক শীন থুংনা জনুৱারি ১০দগী ২৬ ফাওবা চথগনি। পার্টি অদুদা মেম্বর ওইরকপগী ফী লুপা ১০ লৌরম্বা অদু লৌররোই হায়না ন্যু দিল্লিদা লৈবা কন্সটিট্যুশন ক্লবতা পাঙথোকপা পাউ গী মীফম অমদা য়াদবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

এ এ পিগী লুচিংবা গোপাল রাইনা মেম্বরশিপকী দ্রাইভ অদু লুচিংগনি। মীখলগী মাঙওইননা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংদা পার্টি অদুগী সেন্ট্রেল কোর কমিটিনা য়েংশিনগনি।

পার্টি অদুগী মেম্বর অহুম্না লুচিংবা কো–ওর্দিনেশন কমিটিনা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা দ্রাইভ, পার্টিগী মেনিফেষ্টো, ফন্দ খোমগৎপা অমসুং অতৈ মীখলগা মরী লৈনবা থবক–থৌরমশিং য়েংশিনগনি।

এ এ পিগী নেসনেল লীদর ওইনা সঞ্জয় সিংহ পঙ্কজ গুপ্ত অমসুং মহাক মশামক্না অহানবগী ওইনা থৌ পুগনি। অদুগা লৈবাক অদুগী মীয়ামসু মদুগী মতুংদা য়াওহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

মেনিফেষ্টোগী মতাংদা এ এ পিগী মেম্বর অদুনা হায়খিবদা, পার্টি অদুগী মেনিফেষ্টো মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা ফোঙদোক্লগনি। কন্সটিট্যুয়েন্সিশিংগী ওইনা শেমগদবা মেনিফেষ্টোদা কনাগুম্বনা হাপচিন্নীংবা অমদি লৌথোক্লীংবা লৈরবদি মদুসু খন্নগনি হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক পার্টি অদুগী টিকেট পাম্বা মীওইশিং অদু মীয়াম্না য়াবা মীশক অমা ওইগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লোক সভা মীখল এপ্রিলগী ময়ায় থংবা চয়োলদগী পাঙথোকপা হৌরবা য়াই

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৫ ঃ** চৎলিবা চহি অসিগী এপ্রিলগী ময়ায় থংবা চয়োলদগী হৌদুনা ফেজ ৫ থোক্না লোক সভা মীখল পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা থৌরাং তৌখ্রে। মীখল অদু মে থাগী অঙনবা শরুক্তদি লোইশিন্ননবা পান্দমা থল্লি।

মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরকখিবা মীখলগী মতম অদু মমাঙদা ফেব্রুৱারি থাদগী হৌরগা মার্চকী অঙনবা শরুক্তা লোইশিনগনি হায়না খন্নরম্বনি।

হৌজিক অন্ধ্র প্রদেশ, ওদিসা অমসুং সিক্কিমগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদবা ৱাৎলি। হায়রিবা এসেমব্লি মীখলশিং অদু ফেব্রুৱারি থাদগী হৌরগা মার্চকী অঙনবা শরুক ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

লাউথোক্কদবা অদুগী মাঙওইননা মথংগী পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা সরকার অদুনা ইং ২০১৪–



২০১৪গী ওইবা ভোট ওফ একাওন্ট অমদি মীখলদা চঙগদবা চাদিংগী চাং লেপথোক্কদবা ৱাৎলি।

তঙায়ফদনা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিসিয়েল সেসন অমা অথুবা মতমদা সরকার অদুগী এন্টি–করপশনগী থবকশিং মরু ওইনা মীখলগা মরী লৈনবশিংগীদমক মীফম পাঙথোকপা দরকার ওইরি।

হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী মপুন্সি জুন ১ দা লোইগদবনি। অদুগা অনৌবা লোক সভানা মে ৩১ ফাওবগী মনুংদা শেমগদবনি হায়রি।

ইলেক্সন কমিশন্না লাক্কদৌরিবা লোক সভাগী মখল অদু ফেজ ৫ থোক্না পাঙথোকপা নৎত্রগা ফেজ অমখক্তদা পাঙথোকপগী মতাংদা কূপ্না য়েংশিল্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা ভোটর ক্রোর ৮০না ভোট থাদনগনি।

অদুগা অনৌবা ভোটরশিং য়েংশিনবগী থবকসু কন্না চথরি। কমিশন অদুনা ইলেক্টোরেল রোল মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা লৈখ্রে। অদুগা ভোটরশিংগী হেল্‌ঠ চেকঅপনচিংবসু থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা লোইশিনগনি।

ইলেক্টোরেল রোলগী লিষ্ট মাঙজৌননা শেম–শাবা লোইখ্রবনি। মদু অমুক হন্না অপদেট তৌবা দরকার লৈরি। অপদেট তৌবগী থবক অদু জনুৱারিগী অরোইবা শরুক্তগী লোইশিন্নবা শেম–শারি হায়না ইলেক্সন কমিশনগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## এক্সিদেন্টতা ইন্দিয়ন ৫ শিরে ২ শোক্লে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৫ ঃ** লম্বীগী খুদোংথীবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অহুমদা অঙাং অহুম য়াওনা ইন্দিয়া মচা মঙা ওমানদা শিরে। লোয়ননা অনীনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পি টি আইগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।


থৌদোক অদুদা অঙাং অহুম শিখি। লোয়ননা মীওই তরুক্না অশোক অপন নংখি হায়রি। ওমানগী মুস্কট সহরদগী কিলোমিটর ১৪০ চৎলগা লৈবা ইব্রাগী সমট অল শম্‌সতা তা শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা অমদা হায়রিবা মীওইশিং অদু শিহনখিবনি। চাকা মরি পানবা গাড়ী অমা এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই তরুক শোকহনখি। অদু নুপী অনীনা অরুবা ফিভমদা শোকহনখি হায়রি।

# এয়র ইন্দিয়াগী পাইলোটশিং ষ্ট্রাইক তৌগদৌরি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৫ ঃ** এয়র ইন্দিয়াগী খুদোংচাদবা অমুক হন্না মায়োক্নরে। এয়র ইন্দিয়াগী পাইলোটশিংদা পীফম থোকপা ফ্লায়িং এল্লাৱেন্স পীবগী মতাংদা ইন্দিয়ন কম্মর্সিয়েল পাইলোট এসোসিয়েশন অমসুং য়ুনিয়ন অমসুং ইষ্টৱাইল ইন্দিয়ন পাইলোটনা অথুবা মীফম পাঙথোক্তুনা নো পে নো ৱার্ক হায়বদু ষ্ট্রাইক তৌরক্নবা বার্ত্তণ তৌবনি হায়বনি খূদক্তগী মখোয়গী ষ্ট্রাইক হৌননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অদু লৌখিবগী মরু ওইবা মরমদি পাইলোটশিং অদুদা কম্পেনিশিংনা পীগদবা শেনফমশিং চাদ ৭৫ খক্তমক হৌখিবা চহি অমা মখায়রোমগী মমাঙদগী পীদুনা লাক্লি। অদুগা অতোপ্পা ইন্টরনেশনেলগী এয়রলাইনশিংগী ওইনদি পাইলোটশিংগী পীগদবা শেনফমশিং হেনগৎহল্লি। অদুগা ইন্দিয়ন পাইলোটশিংগী পীগদবা তলবশিং হন্থহন্ননবা লান তৌদুনা লৈরি হায়না মরাল শীরি।

ইন্দিয়ন কম্মর্সিয়েল পাইলোট এসোসিয়েশনগী মীটিং অদুনা খঙহনখিবদা পাইলোটশিংদা থেংনরিবা শেল–থুমগী খুদোংচাদবা অদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী পীফম থোকপা শেনফমশিং মপূং ফানা





পীথোক্তুবদি থবক তৌরোই হায়রি।

এয়র ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙ–দোকখিবদা, এয়রলাইন্স অদুনা শেল–থুমগী অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্নরে। সরকারনা পীগনি হায়না মতেংশিং অদু পীদনা লৈরক্লি। সরকারনা এয়রলাইন্সতা লুপা ক্রোর ১২,২০০ পীগদবদগী হন্থনা লুপা ক্রোর ৩,৫৭৪ পীননবা থৌরাং তৌরি।

পাইলোটশিংনা অপংবগুম্না থবক তৌরোই। চহী অনীগী মমাঙদা পাইলোটশিংনা চথখিবা ষ্ট্রাইক অদু ফেল ওইখি। হৌজিক ওইরিবা এয়রলাইন্সকী ফিভম অসি শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লাক্ত্রি। মখা তানা হায়রিবা থৌওং অদুদা খাংবা ঙম্লরোই। মরম অদুনা ষ্ট্রাইক চঙশিনবা তঙায়ফদে হায়খি।

# গুরগাওনদা শাশিন্নবা দোক্টর মঙা ফারে

**গুরগাওন, জনুৱারি ৫ ঃ** গুরগাওনদা পর্মিশন য়াওদনা ক্লিনিক চল্লাইরম্বা মীওই ৫ পুলিসনা ফারে হায়না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না ফারবা মীওইশিং অদুদি প্রমোদ, অমিত, সঙ্কর (বিহার), মহম্মদ সিদিক (মুজাফর নগর –য়ু পি) অমদি সন্দিপ (হরিয়ানা)নি।

মখোয়না দোক্টর শাদুনা ক্লিনিকশিং চল্লাইরম্বনি। মখোয় মতীক চানা দিগ্রী পায়রবা মীওই অমত্তা নত্তে হায়রি। হরবঞ্চ য়াদব কৌবা মীওই অমনা পুলিসতা কমপ্লেন্ট অমা তৌরকপগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৩৬ অমসুং ৪২০গী মখাদা মখোয়বু পুলিসনা ফাগৎখিবনি।

মখোয়গী মথক্তা সেক্সন ১৮–সি অমসুং ১৮–এ দ্রগ অমসুং কোসমেটিক এক্টকী মখাদসু কেস



পাল্লি হায়রি। পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফারবা মীওইশিং অদু জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট মেনপ্রিত সিংহগী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১৪নিগী জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।